
# মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ খরা য়াওনা ফিল্ম পুথোকপা চঙই ঃ চান্দম শ্যামাচরন

– নোমিতা খোংবান্তাবম -












**হীরম** খুদিংমক্কী চাওখৎ লমজেলদা য়াওবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী থৌদাং য়াম্না চাউই। মরু ওইনা টিম ৱার্ক অমা ওইনা থবক তৌরকপা মতমদা য়ুনিটি লৈরক্ত্রবদি মনিং হন্নবগী মচাক ওইনা থোকই। মসিনা তপ্না তপ্না পীরকপা চৈথেং অদুনা মুৎহন্নবগী মরম অমসু ওই। ষ্টেট অসিগী অফবা থবক অমা তৌরকপা মতমদা অমনা অমবু পূক্লিং থৌগৎনবা য়াম্না মথৌ তাই। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা অমনা অমবু নমথনবগী চৎনবী অসিনা হীরম খুদিংমক্কী চাওখৎ লমজেলদা অপনবা পীরি।

তাইবঙ মীওইবগী আর্ট হায়রিবা লম অসিদা সিনেমা হায়বসিসু য়াওদুনা লাক্লিবনি। মালেমগী ওইনা হোলিৱুদ অমদি বোলিৱুদতা খোঙজেল য়াংনা চেন্দুনা হিদান্নরি। বোলিৱুদকী ফিল্ম ষ্টারশিংনা হোলিৱুদতা য়াওরকপা, হোলিৱুদকী ফিল্ম ষ্টারশিংনা বোলিৱুদতা য়াওরকপদা চাওথোকচবা, নুঙাইবা ফোঙদোক্নরি। মখোয় মখোয়গী ওইবা ফিদা কন্নবা অমদি লমদমদুবু শক্তাক্নবা হোৎনরক্লি। ফিল্ম হায়বা আর্ট অসিনা লৈবাক অমগা লৈবাক অমগগী মরক্তা ইন্টিগ্রেসন পুরক্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরী ফিল্মনা মাঙজিন থাদুনা চৎলম্বা ষ্টেট অমা ওইরম্লিবনি। অদুবু ঙসিদি হায়রিবা ফিল্মগী ৱর্ল্ড অসিদদি অদুক্কী মতিক মনিং হল্লক্লবনি। মসি মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা লাইবক থিবা অমসু ওইরে। ফিল্ম হায়রিবা আর্ট অসিবু চাওখৎনবা য়ুনিটি লৈনা হোৎনদবা মরম্না ঙসিগী ফিল্মগী ফীভম অসি ওইহল্লকপনি হায়না লৌদবা য়ারক্ত্রে।

ওইরক্লিবা মণিপুরগী ফিল্মগী ফীভম অসি নৈনজবগী মতাং অমা ওইনা মমিং লৈরবা প্রদ্যুসর চান্দম শ্যামাচরনগা উনরুবগী পাউদম খরদং মীয়ামদা থমজরি।

শেল চঙলবসু সেলুলোইদ ফিল্ম নৎতনা মণিপুরগী ফিল্ম অমত্তদা পুথোক্লোই হায়বগী ৱাখলদা লেপ্তুনা লৈরিবা চান্দম সমাচোরোননা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিল্মগী মতাংদা ফোঙদোকপীরকই মদুদি মণিপুরদা ফিল্মগী মার্কেট অসি চাওথোক্লবা হায়বদি ফিল্ম য়েংবগী মীশিং হেনগৎহনগে হায়রবদি ঐখোয়না ফিল্ম অমা নম্বা মতমদা ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফুরুপশিংগী ৱারী য়াওবা হায়বদি ফুরুপ অমগা অমগা খুন্নাই অসিদা করম্না লৈমিন্নরিবগে হায়বগী ৱারীদা শাগৎলগা নম্বা ফিল্মসু মথৌ তাই। ফিল্ম অমবু পাম্না য়েংহনবা হায়বসি লায়না লৌবা য়াদে।

ফিল্ম নম্বা হায়বসিসু ঐগীদি সেলুলোইদ নৎতনা নম্লোই হায়দুনা লৈরিবনি। হৌজিকসু অনৌবা ফিল্ম অমগী ঈশৈ অনী নম্বা লোইরে। মমিংদি থোন্দ্রি। সেলুলোইদ ফিল্ম ওইনা পুথোক্কদৌরিবনি। মীয়ামদা পাক চাওনা অমদি রিজল্ট ফজনা য়েংহনগে হায়রবদি সেলুলোইদতা নম্লগা য়েংহনগদবনি। সেলুলোইদতা নম্লবসু দিজিটেল ওনবা য়াই, প্রোসেস খরা চঙবা, শেল খরা চঙবগী ৱাদনি।

হৌজিক্কী নম্লিবা মণিপুরী ফিল্ম অসি দিজিটেলনি হায়রিবসি ঐদি পামদবনিনা নমজদে। মপান্দা নম্নরিবা দিজিটেল ফিল্মগী থাক অদুমকসু য়ৌহনবা ঙম্বসু নত্তে। অদুবু সেলুলোইদ নম্বসিদা মরী লৈনবা কোদাক অসিসু বোম্বে অমদি চেন্নাই অনী অসিদা নৎতনা ফংদ্রে, কোলকটাদদি লৈত্রবনি। অদুনা নম্বা লোয়রগা ইদিটিং/প্রিন্ট লৌবসি বোম্বে নৎত্রগা চেন্নাইদা চৎপা তাবনি।

মণিপুরদা ফিল্ম নম্বা হায়বসি হায়দোকপদা ফজদ্রবা নমথনবগী কলচর অমা লৈবসিনা চাওখৎপা ঙমহন্দে। সেলুলোইদ ফিল্ম অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা রিল ৩৬ নম্লগা, ১৮ ফংগনি মসিনা ফিল্ম ওইরিবনি। শেলগীখক্তা য়েংবসু য়াদে । সেলুলোইদ ফিল্ম নম্বসি কান্নে অমদি রিজল্টসু ফজৈ। কৈথেল নংনবগী ফিল্ম নম্বা অসি সেলুলোইদতদি য়ারোই।

হৌজিক্কী ফিল্মগী হেরো-হেরোইনশিং অসিসু ঐখোয়না নেকপা ঙম্লোই। শেলসু য়াম্মী হায়। অদুগীসু মথক্তা মখোয়বু ময়ূমদগী লৌথোক লৌশিন তৌনৈ হায়নৈ। ঐখোয়না সেলুলোইদ নম্বদা এম এফ দি সিদা লোয়না পুংশিংগী মতুং ইন্না লাক্নরগা চৎনবা ঙাক্তনি। অদুগীসু মথক্তা মখোয়দি অতৈ অতৈগীসু লৌশিনগনি মদুনা শুটিং মতম ফাংনরকপদা করম্না ফিল্ম নমগনি। ফিল্ম অমা শুটিং তৌরুরগা হোবে-হোবে লাক্লগা মেক-অপ, দ্রেস অমদি কেরেক্টর মান্নদবা ইতোপ তোপ্পা ফিল্ম অমা খুদক্তা নম্বা হায়বসি অরাইবা নত্তে।

ঐনা পুথোকচবা ফিল্মশিংগী ঈশৈসি ঐনা ইবা ঙাক্তনি। বেকগ্রাউন্দ ম্যুজিক অসি ঐনা খঙজবনিনা মীঙোন্দা পীদে ঐনা লোইনা তৌজে। লুবসু বেকগ্রাউন্দ ম্যুজিকসিনা লুই। মীনদি ঐনা লোয়না পায়শিল্লি হায়বি। ঈশৈ হাপ্পীয়ু হায়না পীরকপসু লৈ অদুবু ফিল্মদুগা চান্নদবা অদু করম্না হাপকদৌরিবনো। ঐসু ম্যুজিক কোলেজদা ঈশৈ তম্লকই হেক্তা পংতৌ তৌবা নৎতে। দান্স কোলেজদসু জগোয় তম্লকইবনি।

মসিগী মথক্তা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা দ্রামা ইরিবনি। ঈশৈ ময়েকসু ইরিবনি। দ্রামাসু য়াওই। খুঙ্গংগী থৌরমসু তৌরম্মী। কুমজা ১৯৬৭ দগী ঈশৈ ময়েক ইরক্লবনি। ***হাদা লৈরাং শিরোই লীলি***গাসি ঐনা ইবনি। ঐসু করিমত্তা খঙদবা ওইনা ফিল্ম তৌরকখিবদি নত্তে। অদুনা ফিল্ম পুথোকপা মতমদা ৱারীগী মতুং ইন্না কুমগদবা আর্টিষ্ট চানবা থিবা চৎলিবনি। চানবা করেক্টরগী আর্টিষ্ট থিবা মতমদা থা অমা অনীদি মতম মাঙলিবনি। মরমদি চানদবা, পকচদবা মতাং য়াওরকপদা মীয়াম্না য়েংনিংলোই। স্কৃপকা চান্নবা মী থিবা তাই, এক্টিং হায়বসিসু লুই, পংতৌ তৌবা য়াদে।

অমরোমদা, ফিল্ম তৌবা হায়বসি লৈবাক্তুগী ওইরিবা ফিভমদুগা য়াম্না মরী লৈনৈ। হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিনা ফিল্ম নম্বগী থবক্তা অপনবা কয়া পীদবা নত্তে।

অদুগা অমনা মণিপুরগী ফিল্মবু চাওখৎহনগে হায়রবদি লমসিদা মমিং লৈরবা ঐখোয়গী মীশিংনা মালেমগী অচৌবা ফেষ্টিভেলশিংদা য়াওননবা হোৎনবীদুনা মালেমদা শক তাকপীগদবনি। লম লমগী পুথোক্নরিবা ময়ামসি ইরমদমগী খল্লগা পুখৎনবা হোৎনবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গীনা ঐগী মীগী খায়দুনা নমথনবা হোৎনবসিনা মীনা উশিৎতবগী চাং হেনগৎলি। ঐখোয় মশেল নুংশিনদবগী মমিসি ইফোং ফোংই। মপান্দা চৎলুরগা মণিপুরদা হল্লকপদা খঙলরোই উররোই হায়না পংঙাঙ ঙাঙবসু ফৎতে।

মণিপুরসু ফিল্ম অফবা নম্বা য়াই, ইংলিস ফিল্মগী ইন্টর দ দ্রেগোন নম্বা অসুমাইনা ঐখোয়গীসু চহী তরেৎ খুন্তাকপা নম্বা য়াই। কেমেরা অফবা লৈতবসিনা মীগীদা শেল য়াম্না তিংলগা নম্বা তারকই। হৌজিকসু গুৱাহাটিদা ফিল্মগী লোন পীবা লৈ, মখোয়না লোন লৌরগা ফিল্ম পুথোকউ ঙাক্তা হায়বীরকই। মণিপুরগীসু লৈতবদি নত্তে। সেলুলোইদ ফিল্ম নম্বদা আর্ট এন্দ কলচরনা লুপা লাক্ষ ২ পীনবা থম্লিবনি। কেমেরাসু এম এফ দি সিদগী ৱাইগনি, এম এফ দি সিদা কেমেরা অমদি লৈরি।

সেলুলোইদ ফিল্ম নম্বা হায়বসিদা ওল ইন্দিয়া মোসন পীকচর এসোসিএসন্দা য়াওগনি। অদুগা সেন্সর বোর্দতা অমুক থাদখিনি। ফিল্মসি নম্বা লোইরে হায়রগসু ইদিটিং তৌবা কোলকটাদা চৎকনি। কোলকটাগী বেঙ্গালি হায়রেদনা ঐখোয়না চৎপসিদা উশিৎপা জাৎ নত্তে। মসিদা খৎনবনা কোঙ্গায়নি। মখোয়না করেম্নরকপসিদা নখোয়গী ময়েকসু নৎতে মসিদি ঐখোয় বেঙ্গলি ময়েকনি হায়রিবনি।

মদুসু হান্না ঐখোয়দি প্রিপিয়র তৌরগা চৎপনিনা ঐখোয়গী ময়েক লৈ হায়না পুথোক্লিবনি। মদুদা ঐখোয়গী ময়েকসি ইরগা পীবদা মসিদি জপানগী ময়েকনি হায়না করেম্নরিবনি। মদুদা মরৈ ওইনা য়েৎনবা কয়া অমসু লৈখ্রে। অদুবু মীগীদি ফিল্ম চাওখৎপনিনা ঐখোয়না মখোয়দা তাংলিবনি। অসিগুম্বা কয়াসি য়েৎনদুনা লাকখ্রবনি। হৌজিকসু ঐখোয়গী ফিল্মসে লৈগে লাকই অদুবু য়োন্দে।

হৌজিকসু মণিপুরগী সেলুলোইদ ফিল্ম কাপ্লিবশিংগী নেগেটিবশিং থম্ফম লৈত্রিবনি। অদুনা কোলকটাদা শেল পীদুনা থম্লিবনি। অমুক অমুক থম্বদা লুপা লিশীং ১৫ দিপোজিৎ তৌই। মসি চহী অহুমগীনি। ফিল্ম মরি মঙা থম্বদা অমুক লুপা লিশীং ১৫/১৫ সি ফিল্ম খুদিংগী লৌরিবনি। ঐখোয়না প্রিন্ট লৌবা তারবসু কোলকটাদগী লৌবা চৎলিবনি। অদুবু হৌজিক্তি নোর্থ ইষ্টকী ওইনা গুৱাহাটিদা হাংলে থম্বা লাকউ হায়রক্লবনি। মখোয়গী অসি অনৌবা হাংবনিনা হৌজিক ফাওবদি ফ্রিনি হায়। অদুনা কোলকটাদগী লৌরুরগা গুৱাহাটিদা অমুক থম্বা তারি। মসি সেলুলোইদ ফিল্ম পুথোকপা খুদিংগী তৌদবা য়াদ্রবা অমনি।

মণিপুরগী এম এফ দি সি অসিসু অৱাইমন লুপা লিশীং ৩৫ লৌবসিনা ফিল্ম উৎপদা খরা ৱাই। এম এফ দি সি শঙ্গাবগা ঐগী ফিল্ম ***জপান লান্দা ইম্ফাল***না ইহান হান্না উৎখিবনি। অৱাইমল অসি খরা হন্থরবদি ফিল্মসি এম এফ দি সিদা খরা হেন্না উৎপা ঙমগদবনি। মণিপুরদা সেলুলোইদ ফিল্ম উৎনবা হোল লৈত্রে হায়না খল্লবসু এম এফ দি সিদদি লৈরিবনি। অদুনা উৎপদি অদুম য়াবনি।

ঐগী পুথোকখিবা ফিল্মসি ***খম্বা-খম্নু, জহেরা, মন্দির অমা, জপান লান্দা ইম্ফাল***খরা অসিনি। ***জহেরা*** ফিল্মসি এৱার্দ মরি ষ্টেটকী ওইনা ফংখিবনি। পাঙল নিঙোল জহেরাগী মমা শাবদা ললিতাবীসু য়াম্না মানখিবনি। ফিল্মসিদা পাঙল ময়াম অমসু য়াওখি। অদুনা জহেরা উৎপা মতমদা পাঙল ফনা য়াম্না য়েংনখি।

***খম্বা-খম্নু*** ফিল্মসি লৈগে লাকপদা য়োনখিদে। মরমদি ঐখোয়দা লাক্ষ ১/২ পীরগা লৈখিগগনি। মখোয়না তোংগদবসি লাক্ষ ১০/২০ রোমনি। মখোয়না লৈবা ফিল্ম অসি এৱার্দসু ফংবা ফিল্ম ওইগদবনি। অদুবু ফিল্মসি ঐখোয়গী য়াম্না তাংবা পোৎ ওইবনিনা য়োনখিদবনি। ঐখোয়না ঙমজরবদি পুৱারীগী ওইবা কয়াসিদা ফিল্ম নমগদবনি। হৌজিক্কী মতমগী ফিল্ম অসিনা মণিপুর ফিল্মগী ফিদা ফংবদা খরা ৱানা থোক্কদবা মাল্লি।

---

ৱারী ককনাউ

## স্মার্ট সিটি

—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—

কুমগী নোং লাকপদা লৌমীশিংনা নোং চুবগী হরাওবসিদি মতা অমনি। য়ুম নোং য়ুবা, ঈশিং থুমগনবা ইম্ফালগী অকোয়বগুম্বদদি নোংনা নুমিৎ নীনীগা চুশিল্লকপসিদি খোইদৌ শাওগৎলি। ঈশিং থুমদৌরিবনি। হঙোই খোঙবা য়াদবা মফমনি, ইম্ফালগী অকোয়বসি। নোং চুনি, ঈশিং চাওনি। তুরেল চাওগেরা চাওরোইরা মোইদি ঈশিং হেক্তা থুন্মী। নালা কায়বা, নালা পাথোকপনসু অদুম হেক্তা থুন্মী। গঙ্গা, য়মুনা, কাভেরি, ব্রহ্মপুত্র মনাক্কী ঈশিং ঈচাওদু নৎত্রসু, নোংবু তারবা অঙাং মশা নুংঙাইতবগী খোঙ হাম্বদু ঙাই, পীৎ-পীৎ হেক্তা চাউগনি। নুংঙাইখ্রবা মফমনি, মতৌগদি ইম্ফাল গাইনা হায়জসারিবনি।

মকুম মথা শুরবা তাচৌ ইবোহলগী ইতৈমা মেমচাদু ঙসাই অয়ুক্তগী মশাদু কয়া নুংঙাইতে হায়দুনা মখ্বাঙ মেৎ-মেত্তুনা তপ্না তপ্না চৎলগা ইমুংগী তৌবা য়াবা থবক তৌজরি। ফমথবা হৌগৎপাদা ঙেক ঙেক হেক শংঙী। অদুবু ইমুংদুদদি কনামত্তা লৈতে, তৌদদি য়াদে, কনানা তৌবীনি? ইতৈমা মেমচা নহা ওইরি, অহানবা অঙাং উনগদবনি। দোক্তরদা চেক অপ তোইনা চৎপসু ঙমদে। থা অহুমগী মমাংদা অমুকখক চৎখি, হিদাকসু কাপ্পকখিবনি। মদুদৈ মখা তানা চৎলুবা ঙমখিদ্রে, মদুই মরম হায়বু তাচৌদু থবক শংদে, নোং হেক ঙানবদগী থবক শুবা চৎলি। হল্লকপদদি পোপ তারে। তাচৌ ইবোহল চেক শুবনি। লাইরিক্কদি গ্রেজুয়েসন লোইরবনি। কম্প্যুটরগসু য়াম তমজরকপনি। সর্টিফিকেৎ পায়রিবনি, থবক ফঙদে। কমাই ফঙদোইনো? মাগুম্বা মখুত্তা শিকি পায়দবা পৎ তৎপা মানা হৌজিক্কী মতমদা থবক ফংবা মতিক্লো?

“খুত্তা শেল খরা পায়দ্রদি য়াদবনি, দোক্তরদা লৈবা হায়সি শেল ঙাক্তনি। য়ুম শাবদুগী য়ুম্বুদুসু হন্দক্তি কৈদৌরবনো খঙদে, শেল হেক হায়রুবগা মাগী লৈতবগী ৱারীনা হান্না হেক্তা তৌরকই।”

ঙরাং মাই’ নুপানা চাক চানা চানা হায়খিবদু নীংশিংলকই ইতৈমদু। হেন্নদুম নুংশা থিরকই, ঙসি মশাগা নুংঙাইরক্তবসিদা। শেলসু য়াওদনা কমাইনা তৌদোইনো? মশাদি নুংঙাইতবা শুম হেল্লকই, ঙসাইখৈদি পুক য়েকপা য়াওরমদবনি। হৌজিক্তি মবুক্তু য়েক্লে, অহানবগা ওইরে, নুংশা থীবা হেঞ্জিল্লক্লে। ৱাখলদা খল্লম্বা ৱাহৈশিং মচিন্দা ৱা ওইনা থোরকই।

“খরা ঙন্না হনবিরকউকো হায়রগা হৌজিকফাও লাক্তে। কমাই তৌদুইনো ঐবো! ইমা ... ঐ য়াম ৱারেদা।”

মবুক্তো মেৎপসু কি, নানবোই কৈবোই, মশাদু চেপ্না ফম্মগা অৱাবা খাঙলি। নোংসু হাংবা কৌবা লৈতে। ঙরাংদৈনি শুংলেপ হেক লেপ্তে। ফমুংদা ফম্না ফম্না থোঙ্গালদা ঙাংনবা তারকই।

“লৈরক ঈশিং থুম্লে খু য়ৌরে।”

থোঙনাওদা হায়ফেৎ চেপথদুনা য়েংলুববু, শুমাং ঈশিং তুংলম্লে। দারি কাদৌগী নিক নিক হেক লাওরম্মে। মাই নুপাসু হল্লক্তে, নুংশা থীবা শুম হেঙ্গৎলক্লে ইতৈমা মেমচা। ফোন তৌদৌসু ঙরাংদগী বেলেন্স লোয়থোকখিবনা উপায় লৈতে। মবুক্তি য়েকপা সুম হেনগৎলকই । ফমুং মনাক্তা চঙশিল্লগা কাঙখল চৈখোক্তা পায়দুনা খাঙলি।

“ইমা ... ইমা ... অস ... কমায় তৌদোইনো ঐবু, ইমা...”। শাওবসু সুম হেনগৎলক্লে।

“হিংচাবদুনা কৈদৌরবনো হল্লক্ত্রিসিবো, ঐ য়াম ৱারে” মশাদু হুমাং অনপ্পী কাঙই। তম্বদা ৱাৎলবনি ইতৈমা মেমচা সুক ৱাবা লৈত্রে। থংনবা য়ুমগী মীশিংসু, ঈশিং চাওরে হায়না পুল্লাং লাংনৈ, মানা কৌবসু কনামত্তনা তাদে। মথন্তা মায় নুপা হল্লকপা ঙায়বা নত্তনা উপায় লৈতে।

ঙাইহাক্কী মতুংদা তাচৌ ইবোহলদু শুমাংদা ঈশিং মরক্তুদা চবুক চবুক চেনশিল্লকই। মায় নুপীনা তৌরম্লিবদু উবদা নুংশা থি।

“মেমচা, ঐ শেল ঙাইবদা থেংদোকখ্রে, লাও হোস্পিটালদা চৎসি। ঈশিংসু কন্না চাওরে। কমায় তৌনি, তৌরিসিদি ওটো অমা ফারুদৌসু, ওটো চংবা য়ারোই ঈশিং মরকসিদা লৈরক মনুংদদি ঈশিং খু মথক্তা লৈহৌরে।”

ইতৈমা খুমদে, তাচৌ লাকপদগী হান্নদগী হেন্নদুম চৈনা ফাওরকপগুম অৱাবা খাঙলি। তাচৌনা খল্লি কমায় তৌনি, পোবসু য়ারোই, কমায় পোনি?

“মেমচা সে ঐগী নঙ্গনসিদা নঙগী নঙ্গলদু ওনশিল্লগা ঙাথরকও, ঐ নঙবু সোরোক ফাওবা লোংপো পোরগা পুথোক্কে, সোরোক্তগীদি ওটো অমা ফারগা হোস্পিটাল য়ৌবা য়ারনি।”

তাচৌনা ইতৈমা অঙাং উনগদগী ঙাইদুনা লৈরবদু লোংনা পোরগা ঈশিং মরক্তুদা চবুক চবুক হায়রং তুরং লাকপা উবদা থোঙ্গাল ময়াদা লীচৈ অমগা খুদৈদু খু মথক য়ৌনা থাঙ্গত্তুনা লেপ্পম্বা ইপু চাওবনা অতেকপা ময়াদু হীগৎলদুনা, “হায়! ইবোহল কৈনোনে নংনা তৌরিদুবো” হায়না শিথ-শিথ নোক্লি। তাচৌনা মনঙ্গন্দা লোংনা হীপ্পগা “ইমা ইমা ... ঐ শিরে, ইমা” হায়না কপ্লিবা ইতৈমবু ঈশিংদা তাখিদনবা চেকশিন্না পোরগা, “ঈপল! ইম্ফাল স্মার্ট সিটি ওল্লনি হায়দু শিনি” হায়রগা ঙেক-ঙেক শঙদুনা ইতৈমদু সোরোক তান্না পুথোকখি।

## রুশ লৈবাক্তা থাবুম অমা

লমকোয় ৱারী

*(হান্নগী মখা চথজরকপা...)*

**মোস্কো সিটি ঃ**

মোস্কো সোভিয়েটকী কেপিটেলনি। চাউখ্রবা সহরসিগী লম্বী-থোং, ইলেকত্রিক্কী লংলবা মৈঙাল,পার্ক অমদি লৈকোলশিংগী ফজবসি করি অমুক হায়রুগনি, মঙলৈবাক অমনি। মখোয়গী শরুক চাম্মাগী মনুংদা ঐখোয়গীদি অমা ফাওবা য়ৌরমখিরোই। চাউর-চাউরবা পার্ক মরাঙ কায়না থম্মী। পার্কশিংদা শাৎলিবা লৈশিংগী মরক্তা অতরগুলাপ অসি য়াম্না তাঙবা লৈ অমা ওইনা লৌনৈ। অতরগুলাপ অমগী মমলসি য়াম্মী। থৌরম অমদা লৈ মপুল, ফ্লৱার বকেট নত্রগা লৈ মশা অমত্তা ওইরবসু পীবসি মখোয়গী চৎনবীনি। লৈশিংগী মরক্তা অতরগুলাপ য়াওরবদি মমল লৈরে। করিগুম্বদা অতরগুলাপ ঙাক্তা পীবা ঙম্লবা,ফংলিবা অমদি পীরিবা মীওই অনীমক থাক ৱাংনা লৌনৈ। ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ, ক্লাস সেভেন তম্লিঙৈনি। মতমদুদা সোভিয়েট লেন্দ পব্লিকেশন মরাঙ কায়না ফংখি। পব্লিকেশন মনুংগী আর্টিকল পাবগী ঙাক্তা নত্তবদা,ফজ-ফজবা ফোটোগ্রাফ য়াম্না মনুংগী চেনাশিংদা য়াওই অদুনা ঐসু পব্লিকেশন অসি পামজনা লৌখি। সোভিয়েট লেন্দ পব্লিকেশন্দা, পণ্ডিত জৱাহরলাল নেহরুনা মহাক্কী ওভরকোটকী ফুরিৎখাও মনাক্তা পোমশাৎনবা অতরগুলাপ অঙাঙবা অমা থেৎলগা লৈবগী ফাটো য়াম্না হাপলকখিবদু মিৎসিদা উরকই।

লম্বী-লমজাও, লূ-নাল্লি। ফুট-পাৎ তোঙান্না লৈ। খোঙনা চৎপা খূদিংমক ফুট পাত্তা চৎকদবনি। ফুট পাত্তগী হেন্দোক্লা চৎপদা রুবল মঙা (ইন্দিয়াগী লুপা ১০০) ফাইন তৌই। লম্বী ঙাক-শেন্ননবা ভোলুন্টিয়রশিং মরাঙ কায়না লৈ। মী উদে হায়দুনা ঐখোয়না ফুট পাত্তগী হেন্দোক্লা চৎলুবদা, মাইকৈ অমদগী লাল্লি হায়দুনা রিফ্রি অমা হেক্তা খোংলকপা থেংনৈ। মীপুম খূদিংমক সিভিক সেন্স লোইনা লৈনৈ অদুনা মশানা খঙনা চৎনদে। ৱাফমসি মাঙজৌননা ঐখোয়গী ইন্টরপ্রিটরনা হান্না হায়দুনা ঐখোয়দা খঙহনখ্রবনি। অদুবু কাওথোকখি। নোংমা, লাই কৎনবা লৈ খরা লৈননবগী অসুম চৎথোকপদা, ঐখোয়গী আর্টিষ্ট অমনা ফুট পাত্তা মখোঙ নাম্মনা কুমথরুই। কদোমদগী, করম হায়না থোকলকপনো খঙহৌদবা সেক্যুরিটিনা মহাক ফাখি। ঐনা মাবু থাদোকপীনবা হায়জখি। ঐখোয় কদায়দগীনো, কৈদৌবা লাকপনো হংলকই। ঐখোয় ইন্দিয়াদগীনি, ইন্দিয়া ফেষ্টিভেল য়াওবা লাকপনি হায়না খুন্মী। ঐখোয়গী শকসি য়েংলগা ইন্দিয়াদগীনি হায়বসি য়ানিংখিদে। কার্ড পুথোক্তুনা য়েংহল্লি। সেক্যুরিটি অদুনা কার্ড য়েংলবা মতুংদা ফুট-পাট মথক্তা চৎপীয়ু হায়না তাকলক্লগা ঐখোয়বু থাদোকপীরকই। ৱা শাংথনা ঙাঙনখিদে। ইকায়বদগী ঐনা,চৎমিন্নবা মীদুদা চৈখি। মানা ইতপ তপ্না খুমলকই- “ঐদি মখাদা চৎপা য়াদেদি হান্নসু খঙদনা।” মানা হায়রিসি চুম্মী। ঐখোয়দি খঙদবা অশেংবনি। ইবানি শঙলিংবগী মনাক য়ৌরমগদবা শম্নাদা ৱাৎলি। কোন্না নোকলকপগী ৱানি, ঙাইহাক্তুদি লোলসু ফাওনবা ৱাবনিনা লৱাইগী শমসে য়ুংবজাৎনি। লম্বী চৎপগী মওংসু ঐখোয়গা খেন্নে, মখোয়না চৎপা খূদিংমক্তা য়েৎলোম থংবা মাইকৈদা চৎনৈ অদুনা মখোয়গী মীগা ঐখোয়গা লম্বী চৎপদা তোয়না খুরৌ থাংঙি। থেঙ্গাইনৈ। মখোয়না ঐখোয়সি মীনৌনি, মীতোপ্পি হায়বসি লম্বী চৎপদা খঙঙি। খঙবদুনা ওইরমানে মখোয় শাওখিদে, নোকহৌই।

নুমিৎতু পুন্সিদা কাওবা য়ারোইদবা অমনি। লম্বীদা হল্লকপদা অমুক, রোড ক্রোসিং অমদা কার অনী থেঙ্গাইনবা উখি। মখোল ফনা হৌনা তাখি। ঐগা চৎমিন্নরিবা ইমান্নবদুনা হায়রকই, “ঙাইহাক্তা য়েংখিসি। তপ্না চৎসি।” পাকখ্রবা লম্বী অদুদা কার ময়াম মশীং খঙদনা থৌনরি। কনামতনা হন্না য়েংনদে। খোঙনা চৎপা মীশিংসু থেঙ্গায়নরিবদু চঙশিন্নদুনা য়েংনদে। হায়ফেৎ মাইকৈ অদোমদা য়েংলম্লগা মানা-মানা থোকপা চৎনখি। থৌদোক অমা থোকপদা ওমশিন্দুনা য়েংগনবা ঐখোয়গী হৈনবীদু আদদি উবা ফংদে। স্বাইদা সুম য়েংসি হায়না ঐনা হায়দুনা ঐখোয়নি থাপতক্না য়েংঙি। থেঙ্গাইনখিবা দ্রাইভর অনিদু কারদগী কুমথনরকই। মখোয়নি চঙশিন্নে। অহানবদা মখুৎ শোক্লখি। মশা মশাগী ফুরিৎখাউদগী কার্ড অমমম্ লৌথোক্তুনা অমনা অমদা পীনরি। সেক্যুরিটি অমনা মখোয়গী মনাক্তা চঙশিনখি। মখোয়গী চে-চাংশিং য়েংই। কার মপু অনীদু শাওনবগী মহুৎতা মখুৎ অমুক শোক্লগা মাগী মাগী লম্বীদা থুনমক থৌনখি। চাওরাক্লা মিনিট মঙারোমগী থৌদোক্লি। ইবানি ঙক্লা য়েংলগা লাকই। ঐনা ঐখোয়গী ইন্টরপ্রিটর জুলিয়াদা থৌদোকশিংদু হল্লক্লগা তম্মী। জুলিয়ানা হায়রকই,

- ঐখোয়গী সোভিয়েত্তা, কার এক্সিডেন্ট তাঙনা থোকই। করিগুম্বা এক্সিডেন্ট অমা থোকপদা ত্রাফিক জাম কুইনা ওইহনবা য়াদে।

*(-মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

*(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎচবনি)*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৪

**১। ডা. কমলনা ৱারীমচা অমখক ইরম্মী। মদুগী মমিং করি কৌই?**
**২। কবি ভুবনস্নানা অঙাংগী লাইরিক অমা ইখ্রে। লাইরিক্তু করি মমিং কৌই।**
**৩। ‘অমুবা মিৎখুমফি’ কনানা ইবনো?**
**৪। ‘অমসুং ইন্দ্রজিৎ’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?**
**৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?**



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ২২, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩ গী পাউখুমশিং**

**১। হীজম অঙাংহল ২। শৈরোল শৈথা শৈরেং**
**৩। ৱারীমচা ৪। ক্ষেত্রি রাজেশ্বর ৫। নিলবির শর্ম্ম শাস্ত্রি**

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩ গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিং**

| | | |
|---|---|---|
| ***১।*** | ***শগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়*** | ***(৫)*** |
| ২। | কোঞ্জেংবম রোমাবতি দেবী, য়াইরিপোক কেক্রু | (৫) |
| ৩। | কৈশাম মথঙবী, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা | (৫) |
| ৪। | লাইময়ূম সিদার্থ শর্ম্মা, য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায় | (৫) |
| ৫। | তেন্সুবম সঞ্জয়প্রকাস, পোইরৌখোংজিন অৱাং লৈকায় | (৫) |
| ৬। | তেন্সুবম উমেস সিংহ, কৌব্রু হোষ্টেল - ২ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি | (৫) |
| ৭। | তেন্সুবম গোবিন সিংহ, থৌবাল কোলেজ | (৫) |
| ৮। | থৌনাওজম থোই চনু, কৈরক ময়ায় লৈকায় | (৫) |
| ৯। | এনেরুদ এলাংবম, এলাংখাংপোকপী অৱাং লৈকায় | (৫) |
| ১০। | কে প্রেমিতা দেবী, য়াইরিপোক অৱাং লৈকায় | (৫) |
| ১১। | ফাঞ্জৌবম বিশাল সিংহ, ইরেংবন্দ ময়ায় লৈকায়, ককচীং | (৫) |
| ১২। | অঞ্জু ফাঞ্জৌবম, ইরেংবন্দ সাবল লৈকায়, ককচীং | (৫) |
| ১৩। | মাইস্নাম সুরঞ্জিৎ, নম্বোল ফোইজিং নোদিয়া থোংখোঙ | (৫) |
| ১৪। | চিরোম শুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |
| ১৫। | কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |
| ১৬। | কোন্থৌজম প্রটাপ সিংহ, স্কোলর ইংলিস স্কুল, ইরেংবন্দ, থৌবাল | (৫) |
| ১৭। | লাইতোঞ্জম সঞ্জনা চনু, হৱাইরৌ লাইবুং লৈকায় | (৫) |
| ১৮। | হাওবিজম সন্ধ্যারানি দেবী, পোইরৌখোংজিন অৱাং লৈকায় | (৫) |
| ১৯। | তেন্সুবম সিবানন্দ সিংহ, পোইরৌখোংজিন অৱাং লৈকায় | (৫) |
| ২০। | তোংব্রম জিবোন সিংহ, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় | (৫) |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৩ গী ৱিন্নর**

ৱাহং পূম্নমক্কী পাউখুম চুম্না পীবিরকখিবা মীওইশিংগী মরক্তগী দ্রো ওৎপদা মরাইবক ফবা ওইখ্রবা

***শগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়***

**খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

জুলাই তাং ১৭, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০;
হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।